# চয়োলগী ৱাষি ফল

(জনুয়ারী তাং ১৯ দগী জনুয়ারী তাং ২৫ ফাওবা)


ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বজার, ইম্ফাল



**মেষঃ** থবক থৌরমদা অয়েৎপা খরদি লৈরগনি। অনা অয়েক অশোক অপন মায়োক্লগনবা মতমনি, চেকশিনবা ফগনি। লমতু চৎপা, মী লোয়নদুনা তৌবা থবক্তা হৈশিংবা ফগনি। শেলদি চৎপনা হেনবা, খুত্তা তুংবা ৱাবা মতমনি। ইমুংদা কোক শাবা, মোৎ খেৎনবা, অমন অমগী ৱা তাদবা, ভাব তান্নদবদগী শাওনবা, ৱারৌনবা ওইরগনি। মহৈরোইশিংগীদি খরা কন্না হোৎনবনা ফরগনি। পাখং লৈশাবীগীদি শাওনিংবা খৎননিংবা মতম ওইরে।

*নক্ষত্র– ১,২,৩ য়ানশিন্ননা চৎলগনি, চেকশিল্লবদি হেন্ন অফবা ওইরগনি।*



**বৃষঃ** হোৎনজরুবা অয়াম্বা অফবা ফল ফংবা, ঐগী মী মশিং য়ামখৎপা, ইথক থোংবা অমদি তিন্নবশিংনা, নুংশিবীবা, মতেং পীবীবা মতমনি লমতু চৎপা থোইনা ফত্তবদি লৈবা উদে। পোৎ অনৌবা লৈশিনবা য়ারগনি। ইমুং, থবক থৌরমদা অফবা মতম থেংনরগনি। পুক্লিং হকচাং খরদি ফগৎপা মতমনি। মহৈরোইশিংগী ফনা লৈবা ওইরগনি। পাখং লৈশাবীগী ঈংনা চিক্লা লৈরগনি।

*নক্ষত্র– ৩, ৪,৫ অফবা চাওখৎপা ফগৎপা মতম্না হেন্না থেংনরগনি।*



**মিথুনঃ** অপনবা অয়েৎপা থেংনদুনসু মশি কিগনদবা হোৎনবা কনবা অসিগা লোয়ননা চঙশিল্লবদা খরমখৈদি অফবা ফল ফংবা ঙম্লগনি। চৎথোক চৎশিন্দা খরা মিৎ–না শিংবা ফগনি। পোৎ অচৌবা লৈশিনবা, মরুপ মফম হান্নদগী ফগৎপা, মতেং পীবীবা মতম্না হেল্লগনি। অফবা অচা অথক চাদুনা হকচাং ফগৎনবা হোৎনজগনি। লোক লাইহৌ খরদি থেংনরগনি। মহৈরোইশিংগী অফবা মতমনি পাখং লৈশাবীগী ঈংনা চিক্লা লৈরগনি।

*নক্ষত্র– ৫,৬,৭ অফবনা মতমনা হেল্লগনি।*



**কর্কটঃ** হকচাং নুংঙাইবদি খরা ৱাৎখিগনি। অঙ্গং অশাগী অনাবনি। লোক লাইহৌ, তাং, খ্বাং য়াংলেনগী অনাবা থেংনরগনি। শেলদি খরা চৎখিগনি। পোৎ অনৌবা লৈশিনবদি য়ারগনি। থবক থৌরমদা খরা হেন্না চিনবা ওইরগনি। অফবা অচা অথক চাবা তঙাইফদবনি। মতেংপীবীবা মীসু থেংনরগনি। মহৈরোইশিংগী ফনা অদুম্মক লৈখিগনি। পাখং লশাবীগী চান্ননা লৈরগনি।

*নক্ষত্র– ৭,৮,৯ অফবা চাওখৎপা হেন্না ফবা মতমনি।*



**সিংহঃ** খৎননিংবা অশাওবা, মুক্নবা থেংনরবসু মায়পাকপা মতম লাক্লে। চৎথোক চৎশিনদদি চেকশিনবা ফগনি। অফবা ৱাখল অফবা মরুপ তঙাইফদবনি। শেল পীথোক পীশিন্দা, পোৎ লৈবদা হেন্না চেকশিনবা ফগনি। লৈমিন্নবশিং লোয়নবশিংগা মোৎ চান্ননবা ইশানা শিঞ্জগনি। তোখাই তাগনবা মতমনি। মহৈরোইশিংগী চেকশিন্না হোৎনবা তাবনি। পাখং লৈশাবীগী অমনা অমবু ৱারৌনবা মতমনি।

*নক্ষত্র– ১০,১১,১২ অফবা ফত্তবা য়ানশিন্নবা চৎলগনি।*



**কন্যাঃ** অমগা অমগা মোৎ খেৎনবা, তিন্নবদা খরা নুংঙাইতবা, তোখাই তাবা মতমনি। অশাওবা খরদি হন্থবা ফগনি। অদুবু পোৎ লৈশিনবা, শেলগী ফিভম খরা ফগৎপা, পুক্লিং ৱাখল নুংঙাইবা মতমদু ওইরগনি। লৈমিন্নবা, নক্লবা শাগৈ নাতৈনদি খরা য়েংশিনগনি। মহৈরোইশিংগী চেকশিঞ্জবা ফগনি। পাখং লৈশাবীগী ফনা লৈবা, মোৎ চান্নবা মতমনি।

*নক্ষত্র –১২,১৩, ১৪ য়ান্ননা চৎলগনি। ৱা ঙাংবদা চেকশিনবা অমদি হৈশিংবা ফগনি।*



**তুলাঃ** চাওখৎপা ফগৎপা, খুদোংচাবা ফংবা মতম ওইরগনি। শেলদি ফংবগা চৎপনা হেল্লগনি। ঐগী মী মশিং হেনগৎলগনি। লম–তু চৎপদি চেকশিনবা ফগনি। অফবা মুন্না খঙবা মীগা তিন্ননবা হোৎনজগনি। পোৎ লৈথোক লৈশিনদা হৈ–শিংবা অমদি চেকশিনবা ফগনি। ইমুংদা কোক শাবা থেংনগনবা মতমনি। ইশানা ইশাগী য়াইফনবা হোৎনজগনি। হকচাং নুংশিৎকী অনাবা থেংনগনবা মতমনি। মহৈরোইশিংগী খরা কন্না হোৎনবা তাবনি। পাখং লৈশাবীগী চয়েৎনবা মতমনি।

*নক্ষত্র– ১৪,১৫,১৬ অফবা, ফত্তবনা য়ান্ননা চৎলগনি।*



**বৃশ্চিকঃ** হেন্না কন্না হোৎনজবদা, অকাইবা অপনবা থেংনরগনি। চয়েৎনবা, অমুকক্তুংদা পাংথোকপা ৱাবা, শেল চৎপনা হেনবা, খুদোংচাদবা মায়োক্লবা মতমনি। হেন্না কন্না হোৎনবা তাবনি। মীনা তিন্নবশিংনা য়েৎশিল্লকপা, পাঙথোকপা য়াবা থবক, পাঙথোকপা ঙমদবা মতমনি। থাজবা মীদগী চেকশিন্নিংঙাই ওই। মহৈরোইশিংগী হেন্না কন্না হোৎনবা ফগনি। পাখং লৈশাবীগী মোৎ খরা খেন্নবা মতমনি।

*নক্ষত্র–১৬, ১৭, ১৮ ৱাখল ফকচিনবা মতমনি।*



**ধনুঃ** অফবা চাওখৎপা ফগৎপা, খুদোংচাবা, থেংনবা, শেলগী ফিভম ফনা লৈবা, মতেং পীবীবা মীনা মশিং হেনগৎপা মতমনি। লৈরুবা মীওইশিংনা উপাই তৌবীবা ওইরগনি। পোৎ লৈশিনবা, ৱাখল নুংঙাইবা মতমনি। পুক্লিং ৱাখল খরদি ফগৎলগনি। হকচাং লোক খর খরা চেন্নরগনি। মহৈরোইশিংগী অফবা মতমনা হেল্লগনি।

*নক্ষত্র–১৯,২০, ২১ অফবনা হেল্লগনি।*



**মকরঃ** হান্নদগী ফগৎপা, অরুবা থবক থৌরম খরদি পাংথোকপা মতমনি। শেল চৎলবসু তৌফম থোকপা, খরদি মায় পাক্লা পাংথোক্লগনি। খুত্তা শেল খরদি তুংলগনি। ইশাগী ওইবা মী মশিং হেনগৎলগনি। মমল য়াম্বা পোৎ লৈশিনবা য়ারগনি। মহৈরোইশিংগী অফবা মতমনি, পাখং লৈশাবীগী মোৎ চান্নবা ওইরগনি।

*নক্ষত্র– ২১,২২,২৩ অফবা চাওখৎপা ফগৎপা মতমনি।*



**কুম্ভঃ** ৱাখলদি খর লাংলবসু অরুবা থবক থৌরম খরদি পাংথোকপা ঙম্লগনি। শেলদি চৎখিগনি। পোৎ মমল লৈবা লৈশিনবা য়ারগনি। মিংচৎ হেনগৎপা মীনা শিংথাবীবা য়াওবা মতম ওইরগনি। পুক্লিং হকচাং হেন্না ফগৎলগনি। অরাপ্পা অমদি অনকপা চৎলবসু কান্নবদি শোয়দনা ফংলগনি। মহৈরোইশিংগী অফবা মতমনা হেল্লগনি। পাখং লৈশাবীগী মোৎ চান্নবা ঈংনা চিক্লা লৈরগনি।

*নক্ষত্র– ২৩,২৪,২৫ অফবা, চাওখৎপা, ফগৎপা মতমনা হেল্লগনি।*



**মীনঃ** ৱাখল লাংনা লাংনা অরুবা থবক থৌরম পাঙথোক্লগনি। শেলগী ফিভম খরদি ফগৎলগনি। অনৌবা মমল লৈবা পোৎ লৈশিল্লগনি। হকচাংদি লোক খরদি থুংলগনি। অচৌবা মকোক ওইবশিংনা নুংশিবীবা চানবীবা মতমনি। ইমুংদা থোইনা ফত্তবা লৈবা উদে। মহৈরোইশিংগী হেন্না ফবা মতমনি। পাখং লৈশাবীগী ঈংনা চিক্লা ফনা লৈরগনি।

*নক্ষত্র– ২৫,২৬,২৭ অফবা মতমনি।*

## –ঃ শৈরেং ঃ–

### নুংশি চৈনা

নুংশি লানফমদা মায়থীদুনা
কায়না পামেনখাদা ফমদুনা
হকচিক লাংলিবনি ঐ।
মায়বনা খূৎ থারবা অনাবদা
খোইদৌৱা কাঙলোন শান্নবগুম
য়েন্নীংথাগী মপাউ পুরক্লিবরা মালংবা?
নঙগা শকখঙনরুবদগীনি
থম্মোয়নুংদা মৈগী চীং পুদুনা
থাবলগী মঙালদা মৈশা লাংলিবা।
অপাইবা লৈচিলনা
খঙহৌদা নোং ওনখিবগুম
কেনখিদরা খল্লুবদা শিঙ্গারৈগুম
অমুকসু পাখৎচৈ, নোংঙাল্লকপসিদা।

নত্তে, ঐগী পৃথিবীরাজ
জয়চান্দগী রাজ সভাদগী
লৌরুবা ঙম্বা "সংযুক্তা"
সুপ্নতগী নুংশি লানফমদা
ওইরুবনি খূৎলায় পায়দ্রবা লান্মী।
অদুবু
পথুরবা ঐগী থম্মোয়সে
নঙগী শন্নাংগী চেঙহি মনম্না
তেকখৎহনখিবা নৎত্রা?
মসিবু ঈজ্জৎকী ফিজিদা
লৈখোম তৈশিনবনি হায়দৌরিবরা?

# দেব রানী (অহুমশুবা তাঙ্কক্)

**লাইশ্রম দেবেন সিংহ (এৱার্দি)**

**ড্রামা** *মমাং নোংমাইজিংগী মখা*

**য়াওগদবা মীওইশিং মথংশিৎনা ঃ**

১। দেব সিংহ – (হিরো)
২। রানী দেবী – (হিরোইন)
৩। মণি সিংহ – (রানীগী মৌপ্বা)
৪। প্রতাপ সিংহ –(রানীগী মপাবুং)
৫। মাধুরী দেবী – (রানীগী মমা)
৬। ইবেমহল দেবী –(দেবগী মমা)
৭। ডাঃ কমলা দেবী – (রানীগী মমান্নবী)
৮। ফজবী দেবী – (মনিগী লোইনবী)

লোয়ননা অতৈ খোঞ্জেল খরা...

মফম ঃ ইবেমহলগী য়ুম।
মতম ঃ অয়ুক পূং ৭–৮ লোম তাবা।

*(দেবগী মমা ইবেমহল দেবী চাক থোংঙি। থোংবদি লোইরে, মচানুপা দেব ঙাইবা ওইনা ঙাইহাক লৈ, খল্লকই।)*

ইবেমহল ঃ ঐহাকসিবু কয়াম কুইনা অসুম্না লৈগদৌরিবনো। অয়ুক নুমিদাং পা–পাদনা চাক–থোং, ফৌসু, কোললিক ৱাইরম–শেংবসিতা কনানো অমনা হোৎনবিখ্রগদি কয়াদা নুংঙাইখ্রগদবা। মদুসু মথোক্তে, ইবেমহল ঐগী লাইবকসে।

ইবেম–ৱাখলঃ অদুক ৱানা লেনগদৌ শরুক নখুৎ চাবা মৌ থীরো। নচানুপাসু এম এ নি, কলেজগী ওজা অমসু মওইজরে লোয়ননা নঙগী সনা লুপা লিক কোলগী দুকান অমা..., নমৌ থীরোনে নঙবো।

ইবেমহল ঃ উম, করম্নদি মঙোন্দা হায়গদৌরিবা, মশানা খংনা পুশিল্লকপসু তৌদে, মাথা শাই, হেক হায়রুরে ঙাইখোদা মহায়। কনানা থেমনি সিদি।

ইবেম–ৱাখলঃ নঙগী ননাওনুপী রাশিগা খন্নরো, ৱাখল থোক্লনি। মখোয় অনীদি মোৎ তিন্নবনি থেংথরগদি কান্নরোই ইবেমহল।

ইবেমহল ঃ চহীদি ফারক্লবনে, মতম চারে। কান্নদে রাশি কৌরগে। রাশি–রাশি। (হৌনা কৌবা)

দেব ঃ (পাখৎনা চেনশিল্লকই) ইমা–ইমা কৈদৌরে? জ্ঞান তারবর–ও, ইমা–ইমা

ইবেমহল ঃ ইস! ঐদি ভাব অমা তৌরুরেদনা অসিদি। (শ্বর শাংনা হোম্বরগা) ঈশিং গ্লাস অমত্তা।

দেব ঃ সে–সে। চাক লোইশিনগেদি হায়দ্রদনা ইমাবো।

ইবেমহল ঃ নহাক্না হোরেল চংখিবদা নদোমচা রাশিদো খরা কৌরম্মু লাক্তবা য়াদে হায়দনা।

দেব ঃ করিগীনো ইদোমচা রাশিবু, কৌবুদি কৌরমগে।

ইবেমহল ঃ খন্নগদবা ৱা য়াম্না লৈ। নত্তে, নঙবু ঙসি কলেজ চৎলোইদ্রো ও?

দেব ঃ চৎলোই, ছুটি পীখরে। ইদোমচাগীদি চৎলুগেদা দুকান চৎপা থেংখ্রনি ইমা।

ইবেমহল ঃ য়ারে য়ারে। দুকান চৎননবা হোৎনরুরগে

*(রানী–দোক্টর কমলা দেবী চঙলকই)*

রানী ঃ ওজা–ওজা, ওজা লৈবিবর–ও?

ইবেমহল ঃ লৈয়ে। আ.. ইবেম্ম হোয় করি হায়বিগদবা।

রানি ঃ ওজা দেব–বু হংজবনে ইমা।

ইবেমহল ঃ শোমদা কাখৎলকউদনা, ইমা কৌরুগে।

রানী ঃ ফনি ইমা।

ডা. কমলা ঃ মমারা?

রানী ঃ উম মানে। ওজাগী মমা, সনাগী করবার চাওনা তৌরি–বজারদা। (নোকচৈ)

কমলা ঃ থাদোক্লুরনুকো রানী। তান চারেকো, নামৈ য়াল্লুকো। (থীক থীক নোকই)

রানী ঃ মখা তারনু, মীনা তাখ্রগা...।

দেব ঃ য়ে–য়ে! রানী, কদোমদগী, ইমুংদা ফম্মুসে।

রানী ঃ য়ারেদা ওজা। ঐহাক্না নোংমা ওজাদা তমখিবা ঐগী মরুপ ডাক্টর অমা আ কলকাটাদা য়ুম পানখি হায়খিবদো মহাকসিনে ওজা, মিংনা ডক্টর কমলা দেবী।

দেব ঃ ও, ও! ডাক্টর কৌজরি–ইমুংদা ফম্মুসে।

ডা.কমলা ঃ ফনি তামো।

দেব ঃ ঙাইহাক্তং রানীগা পোত্থাবিরম্মু, ঐহাক অমুক্তা...।

রানী ঃ ওজা। ঐখোয়গীদি লোয়না য়াজরনি।

দেব ঃ হায়– মদু য়াদে রানী।

*–(চাকখুমদা মমা মচা)–*

ইবেমহল ঃ কৈদগী নুপী মচাশিংনো?

দেব ঃ আ.. ঐহাক্না প্রাইভেট তৌই হায়বিদুনি ইমা। অমনা মমান্নবী দাক্তরনি হায়, চুম্না সুম উন্ননিংদুনা লাকইজাৎনি।

ইবেমহল ঃ ও–ও! মতৌ মদি লৈনে, মমিংদি?

দেব ঃ রানী।

ইবেমহল ঃ থেংখ্রে ঐহাকসু চৎখ্রগে। য়েংঙোই নুপামচা, নদোমচা কৌবা কাওনিকো নঙ।

দেব ঃ কাওরোইদা ইমা।

------

ইবেমহল ঃ ইচাশা, নখোয় ফমহৌখোকো, নমাদি দুকান...।

রানী,কমলা ঃ লেংবিশি ইমা, লেংবিশি।

ডা. কমলা ঃ রানী, মখোয়গীসিবু অঙাংগা অমত্তা উদেনা?

*(তাঞ্জা চানা দেব থোক্লকই)*

দেব ঃ অঙাং, অহল, নহা, লোইনমক ঐহাক্না ওইজরি ডাক্টর। (ময়াম ৱা নোকই) শঙ্গোম লৌবিশি।

রানী ঃ ওহোক্লসু ৱানা হোৎনবীরুরেদা ওজা।

ডা. কমলা ঃ হৌজিক্তা তামোনা হায়বিখিদো–মী লৈজদে হায়না। (নোক্লগা হায়বা)

রানী ঃ হোইনে, হোয়নে, ঐসে।

দেব ঃ নত্তে রানী, কদোমদগী ফাওজিল্লক্লিবা?

রানী ঃ কমলাসু লাকই, অমরোমদা ওজাগসু উন্ননিংদুনা লৈবগা মপা চানবা হায়বা তারে ওজা।

দেব ঃ ও–ও। ঙসিদি য়াম্না নুংঙাইরে ঐহাকসু কলেজ কাররোই হায়দনা ছুটি চে পীখ্রে। ইরুজনিংবগা থোঙ্গ্রা তেকপগা চপ হেক মান্নদা। *(ৱা নোকই)* অদো রানী, ঐখোয় অনীগীদি কোন্না খন্নরগসু য়াইদা, অদুগা ডাক্টরদি ঙসিতা থেংনবনিনা।

ডা. কমলা ঃ ঐহাকসে তামো আ.. পুনেদা ডাক্টর তম্বনে মদুদা ঐগী লাইবক্তা কলকাটা মচা অমগা সঙ্গ ওইখিবগী ৱানে।

দেব ঃ তাঞ্জাদো। *(ৱা নোকমিন্নৈ)*

ডা. কমলা ঃ শেল কাবক পায়বা মীওই অমগী মচা মশু ওইরম্মী, লোয়ননা জাৎ–বিজাৎকী ৱা লৈরমদে ঐগী ফাদর–ইন–লো–সে তামো।

দেব ঃ ও–ও!

ডা. কমলা ঃ অদুগীসু মথক্তা অফাওবা উকিল অমসুনি। য়াম্না লুনা চান্না তৌবি। অঙাং ১–২ ফংলকপগী অদুৱাইদা প্রাইভেট ক্লিনিক অমা হাংবিরম্মী। ঐহাক অমদি ইপুরোইবসু গাইনিগী ডাক্টরনি তামো। খূৎলম চাই হায়বা তারে। মীওই ১০–২০ লোম্না চলাইদুনা হৌজিক্তি মীয়াম্না খঙনরবা ক্লিনিক অমা ওইরে।

দেবা ঃ য়াম্না নুংঙাইজে। আ.. ডাক্টরগী মিংনা

ডা. কমলা ঃ আনন্দ কোর। ৱাফম অমনা, মতম অমদা মুম্বাইদা বেবে টিউবকী কা তাখিদনা...

রানী ঃ হোয়নে হোয়নে, খবরদগী থেংনখ্রে কমলা। ... অদো কমদৌবা?

ডা. কমলা ঃ মদো রানী, ডাক্টরগা ঐগা কন্না হোৎনবদগী মঙ্গল ওইখিবনে। পাউসে হেক তানখিবদগীদি ডাক্টরগী মমান্নবা অমসু মচানুপা অমা ফংজখিরম্মী।

দেব ঃ অদুদি ডাক্টর, মতমদুদদি শেল–থুমগীদি?

ডা. কমলা ঃ লুপা লাখ অনী খরা হেন্তক চংখি মাল্লে।

রানী ঃ কমলা নঙগী ৱাসিনদি নখোয়সে লাই তারেনে।

ডা. কমলা ঃ হোৎনবগী মখা পোলবনে রানী নঙবু। মসিমদি, শেল য়াম্না চংবদি নত্তে। আ.. মওং অমসু লৈরি, মদুদদি লুপা লাখ ৩–৪ রোম...। অঙাংসু ফংজখিরম্মী।

দেব ঃ তাশিবা ডাক্টর।

ডা. কমলা ঃ মখোয় হায়দি ফেমিলিদো চহী ৪ হেল্লক্লফাওদা অঙাং অমত্তা উরমদে। কাইনথংদা ঐখোয়গা তানরে।

*– ( ফ্লাস বেক )–*

*(লুহোংলবা মতুং চহী ৪ হেল্লক্লবী মতৈ–মনাও অমখক ডাক্টর অনন্দ কোরগী ক্লিনিক্তা লাক্লম্মী)*

নুপা ঃ ডাক্টর–ডাক্টর, ডাক্টর লৈবিবরা? ঐখোয় লাকচরি।

ডা. কমলা ঃ য়ানি, শোমদা..শোমদা। তাকপীয়ু।

নুপা ঃ হেক্তা হায়জরগে, ঐখোয়বুদি লান্না খনবীনু। ঐখোয় অনীসি লুহোংবা চহী ৪দি হেল্লক্লে, অঙাং অমত্তা উশিল্লক্তরে ডাক্টর। মসিগীদমক্তা কনাগুম্বা মরুপ অমদগী তাজদুনা লাকচবনি। ঐখোয় অনীবুসু চানবীদুনা পুন্সি অমত্তদি ডাক্টর..।

নুপী ঃ হিরম পুম্বদা হেক্তা হায়বীয়ু, পাঙথোক্লবা হোৎনজগে ডাক্টর। তশেংনা, ইমিত্তা ইচা অমা উজনিংঙি, ঐখোয়বু চানবীয়ু, নুংশিবীয়ু ডাক্টর।

ডা. কমলা ঃ হায়দোকপদা লায়বা, থবক্তদি য়াম্না লুখ্রবা মওংনে, হায়বিরিবদো। মসে, অতৈ অতোপ্পদা অমুক্তং...।

নুপী ঃ মখা তাবা ৱাফমদি ঐখোয়গী অতোপ্পা আশা লৈজদে। মরম খংনা লাকচবনে ডাক্টর। ঐখোয়বু নুংশিবীয়ু.., অনৌবা পুন্সি, মরেক–মহাউ চেনবা পুন্সি অদুতদি পীনবিয়ু ডাক্টর।

ডা. কমলা ঃ ৱাফম অসে মতম খরদি চঙলনি, তঙাই ফদনা হোৎনবা তাবদা। মতম অমদি শেলগী ৱা লাক্লে হায়বা তাই।

নুপা ঃ হেক্তা তাকপীয়ু। ঙম্নবা হোৎনজগে। অদুগা ৱাদি।

নুপী ঃ তশেংবনি ডাক্টর। ইমিৎসিদা অঙাং অমত্তংদদি ডাক্টর।

ডা. কমলা ঃ অচুম্বনি ইবেম্মগী ৱাফমদু। হোৎনদুনা য়েংবা তাবনি। ৱাফমসিগীদমক্তা ঐগী ডাক্টরগা অমুক্তা তান্নজখিগে হাপ্তা অমা লৈরগা লাকপীরো।

নুপা ঃ ফগনি ডাক্টর। ঐখোয়বু নুংশিবীয়ুকো ডাক্টর।

নুপী ঃ অদুনদি, ঙসিদি নিংথৌকাবা ওইবনিনা মথংগীদা লাকচরগে। য়ৌজখ্রগে ডাক্টর।

ডা. কমলা ঃ ফনি, লেংবিরশি।

-----------

রানী ঃ মখাদি কমদৌবা?

দেব ঃ তরাইবদি নত্তে, রানী, তাশি।

রানী ঃ অচুম্বনি ওজা।

ডা. কমলা ঃ ৱাফম অমদা লেপ্পবনিনা ঐনা ঐগী ডাক্টরগা, নোংমা –

(ফ্লাস বেক)

ডা. কমলা ঃ ডাক্টর, পার্টি অমা লাক্লে, মরম পুম্বা লোইনরে। মসিদা ডাক্টরগী মত?

ড. অনন্দ কোর ঃ ও–কে হায়রো। ফি–লুপা লাখ থ্রি, মমল হেল্লে হায়রো। মখোয়দা ১.৫ পীনি হায়রো। ঐনা হায়–হায়রো। শেলদি পার্টিদগী লাখ টু লৌরে। থবক পাংলগা রিমেন্নিং লাখ অমা লৌবা, লোইরে ডাক্টর।

ডা. কমলা ঃ য়েস, ডাক্টর। ও–কে ডাক্টর।

-----

ডা. কমলা ঃ ডাক্টরগী মত খঙলবগী তুংদা উম্ব–এনগেজ (womb engaged) গীদমক্তা মী কৌরে ঐগী কাদা নোংমা–

*– ( ফ্লাস বেক ) –*

রাখি ঃ করি থবক্লো, ঐখোয়বু কৌবিববো?

শম্ভু ঃ নমস্তে, নমস্তে ডাক্টর।

ডা. কমলা ঃ নমস্তে–নমস্তে, চৌকিদা ফম্মু, নখোয়গী থবক লৈরে। ৱা লোইনরে। মসিদা নখোয়না য়াদ্রগদি ঐখোয় উপাই লৈতে রাখি–শম্ভু। সোম্বারদা পার্টি লাক্লনি। মসিদা নখোয়গী রাই?

শম্ভু ঃ ফিদি? ডাক্টর?

রাখি ঃ মমাংঙৈগীদুদি য়ামদে ডাক্টর, খরা হেনলো ১.৫ পাম্মী...।

ডা. কমলা ঃ ও–কে য়ারে–য়ারে।

ডা. কমলা ঃ অসুম্না য়ানরবগী মতুংদা ষ্টাম্প চেদা সহি তৌনরে.. রানী... অসুম্না থবক অদু লোইশিল্লম্মী।

রানী ঃ কমলা, মখা তানা।

দেব ঃ মরক খৎনা ডাক্টরদা, ৱাফম অমত্তং।

ডা. কমলা ঃ হেক্তা হায়বিয়ো তামো।

দেব ঃ ৱাফম অসে রানীগা ঐহাক্কনা মাঙজৌননা খন্নরবা.., রানী নহাক্না হেক্তা...।

রানী ঃ হোয়নে ওজা, ঐদি কাওবু কাওরুরে। কমলা, ঐগী ইপ্পা নঙগীদা থম্মগে হায়বা, মা 'সিদা সুম লৈরগদি মী ওইবা ঙম্লোইদৌরে। ৱাফমসিগীদমক ইমা–পাবুং হোয়নসু থমনিংঙে–অদুগী ৱানে।

ডা. কমলা ঃ ঐগী অতৈ–অতৈগী ওইরুরবোই খল্লুরে। য়াইয়ে, থম্মগা লোইরে ইপুৱাবু। ঐনা ঙম্বা হোৎনগেদা অদুগীদি।

দেব ঃ য়াম্না নুংঙাইরেকো রানী।

রানী ঃ ওজা...।

ডা. কমলা ঃ অরোইবা অমা ওইনা, ওজা অমদি রানীগী লুহোংবগী বার্ত্তনদি ঙন্তা পীরকউ, ঐহাক শোইদনা লুহোংবা য়াওরনি। শোইবদি য়ারোইকো ওজা।

দেব ঃ আ.... আ....।

রানী ঃ হোয় হায়রগা– লোইরবসিদা।

দেব ঃ অদুদা...। *(ৱা নোকই)*

ড. কমলা ঃ হল্লসি রানী। মী অমা উত্রগদবা লৈরে ঙসিসি।

রানী ঃ থেংখরে ঐখোয়সু মীগী য়ুমসিদা।

দেব ঃ সুম্না থেংলমনি খল্লগদি চাক্কী ৱাসু খন্নদে, ঐখোয়সু... আ ... চাক চখোম অমত্তংদদি চাখিসে।

ডা. কমলা ঃ তাকপীরিবদুনা হেন্না পেঞ্জরে ওজা, মতাং চাবা অমদা চারগা লোইরেদনা।

রানী ঃ চাবদুবু হংনব্রনে কমলা... চৎলসি।

দেব ঃ শাওমল্লি রানী। ঐ ইমুংদা অমুক্তং...।

রানী ঃ কৈদৌবা?

দেব ঃ থুনা থোক্লক্কে।

ডা. কমলা ঃ মাগীসিবু চাক্কী ওইগদবা মাল্লিদা রানী।

রানী ঃ য়েংখিবা তাইদনা।

(দেব, মাগী চাকলুক অদুদা চামস হাপ্পগা থোক্লকই)

দেব ঃ হাওবা হাওতবা খিৎতং তংখিসে হায়বনে। ইমানা থোংলম্বনে।

ডা.কমলা ঃ ঐখোয়বু...।

রানী ঃ চাদ্রগদি... কমলা। ইস! হাওইননে, মাতা অমনিনে।

ডা. কমলা ঃ উম, হাওই..হাওই। ইবেম্মা ঐখোয়গীদি চুম্নগা হাওতরে, করিনা? মী ১৪–১৫ চারবা।

রানী ঃ ইস!

ডা. কমলা ঃ ওজাগীদি নহাক অমা হেনগৎলগসু মী ৩দনি, অদুম হাওবা তাবা।

রানী ঃ হোয়দা হোয়দা। মদুদা থুংজরগে ইবেম্মা।

ডা. কমলা ঃ থুংজরো থুংজরো। (ৱা নোকই)

*–(মৈ মুৎপা)–*

# মনাগী মমল

**তেনালিরামগী ৱারী**

**অবুজম ইবোপিশক লুৱাং**

অমুক খক জগোই ইশৈ নোংমাই হৈবা অফাওবা কলাকারশিংনা মখোয় মশাগী তমদুনা হৈজবা মহৈ মীয়ামদা উৎলুনবগীদমক বিজয়নগরদা লাকই। নিংথৌ কৃষ্ণদেব রায়না মহাক্কী রানীশিংবু জগোই ইশৈগী কুম্মৈ য়েংহ্নবগীদমক্তা কোনুং মনুংদা থৌরাং তৌরম্মী। মহাক্না কুম্মৈ অসি শ্মরিঙৈ মনুং অসিদা তেনালীরাম তাহনবা য়াদে হায়নসু মনাই মশনশিংদা পাউতাক পীরম্মী, তেনালীদা তাহ্নংখিদ্রবা পাউ অসি খঙদে কদায়দগী লৌদুনা তারক্লিবনো তেনালীরাম্না তাবা ফংলদুনা কোনুং য়ৌরক্লে।

ইহান হানবমক্তদা অহানবগী থোঙজাও পানরিবা থোঙাকপনা মহাকপু থিংদুনা চংহনদ্রে। থোঙাকপনা হায়রকই, "ইনিংথৌগী য়াথংনি, অদোম শ্মরিবা কুম্মৈ ফম অসিদা চংহনবা য়ারোই লোয়ননা পাউ তাহনবসু য়ারোই, ঐগী করি পাঙ্গল লৈ, মসি ঐঙোন্দা অন্নাবগী মশক্তি, ঐ অদোমবু মনুংদা চংহনবা ঙম্বগী ইতিক লৈজদে।"

"হোয়নে ফরেনে, ঐসু খঙলেনে ইনিংথৌনা ঐবু তাহনগনু, চংহল্লক্নু হায়বসু, নত্তে ঐসে নঙনা মনুংদা চংহল্লবদিকো?" ঙাইখো ঐগী ম্বাসি অমুক্তা ম্মু তাখো, ঐ অসি মনুংদা চংহল্লু, ঐনা মনুং চংলগা ফংলকপদো খঙলব্রা, মাদুগী শরুক তঞ্জায় অমা হায়বকো, মাদু নঙোন্দা পীথোক্কে।" ৱাহৈ অসি হায়দুনা থেমদুনা থোঙাকপদু থেম্মী। ক্লোথংদদি থোঙ ঙাকপা খরা কিরপ চিংনরপ তৌরমই। অমুক মহাক্না ৱাখল তৌই, 'সুম সুম ফম্না ফম্না করিমক্তসু তৌরুবা লৈতনা মনা ফংগদৌরিবনি, মসিদবু করি অকায়বা লৈবগে?' তেনালীরামদা মহাক্না হায়রকই, 'ফরে, ঐ অদোম্বু মনুংদা চংহঞ্জরগে অদুগা কাওরোইদবা অমনা নহাক্না অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু ফংলকপা পোৎ অদুগী তঞ্জায় অমা ঐঙোন্দা শোয়দনা পীবা য়ারেকো?"

ৱাফম অসি য়ানবা পুরক্তুনা থোঙাকপনা তেনালীরাম মনুংদা থাজিনখ্রে। মনুং চংলগা অমুক অনিশুবা থোঙজিন য়ৌরক্লে। মফম অসিদসু থোঙাকপনা থিংদুনা মনুং চংবা য়াদ্রে। তেনালীরাম্না হায়রকই, "ঐনা মপানগী অহানবা থোঙাকপদসু ঐনা মনুংদগী ফংলকপা পোৎ অদুগী তঞ্জায় অমা নঙোন্দা পীগনি হায়দুনা ৱাশক্লগা মানা ঐবু মনুং থাজল্লকপনি। নঙ ঐবু থিংগনুনে, ক্মবা মাংহনগনু অপঙ, মনুং চংহল্লু, লেমহৌরিবা তঞ্জায় অদো নঙোনদা পীথোক্কেনে।"

তেনালীগী চ্রি চ্মো খোইদা থুরে মসিগী থোঙাকপসিনসু, কলকপা ফাওরক্লে। কনানবুদি কলকলোয়দৌরিবনো মরমদি মাদি ঙাইহাক লৈতনা দরবারদা মনা চাউনা চাউনা ফংই হায়বসিমদি মখোয়না মিৎনা খোঙনা নকোংনা হকথেংননা তাবা উবা থৌদোক ঙাক্তনি। মরম অসিনা কলক্তুনা য়ারদুনা হায়রকই, "ফরে, য়ারনি চংলো, অদুগা শকখিবা ৱাশক্তি কাউনদবা।"

হৌজিক উচিৎ- নাচিননা তেনালীরাম জগোই ইশৈ নোংমায় কুম্মৈ গ্নীফম য়ৌরক্লে। মফম অসিদা কৃষ্ণনা অঙাং ওইরিঙৈগী মাখন হুরানবা অমসুং গোপীশিংগা লোয়নদুনা জলকেলি শ্মবগী মওং মতৌ তমদুনা ইশৈবু শকপও, জগোইবু শাবনে, চোংবগা ফনবগা অমুক্তোইবা নুংঙাইখ্রবা কুম্মৈনি। য়েংলিবা ভাবোক পুন্নমকসু ময়া ইকা কা মমিৎ কুপ্নদনা নুংঙাইনা কুম্মৈ য়েংনরি। তেনালীরাম্না মরক অসিদা তপ্না তপ্না তুম্মি চংলক্লগা মনাক্তা তারম্বা চৈতুপ অমা তাপ খুনগত্তুনা পায়রগা কৃষ্ণ শাবগী লৱায়দা কনথৈ, মাঙোন্দা খক্তা নত্তে কুম্মৈ শ্মবা য়াওরিবা কলাকার খুদিংমকসু শান্থবনি। কনানা খান্বীগনি খঙহৌদনা নারোলদগী হাইজিল্লক্তুনা তৌবা থবক্লি। ঐয়োমা শিরে শিরে কোইলাও লাওদুনা উরু রু লৈদুনা চেলৈ।

তেনালীরাম্না কোইতান কোইতান অদুনা য়ৈনা- য়ৈনা মচিন্দা হায়রি, "মাগী কৃষ্ণ হায়বদুদি গোপিশিং ময়ামগী মখুৎ ময়াম চংদুনা ফুবগা খোৎপগা শিকপগা তৌবগী চৈনাদি খাঙবা ঙমদুনা নঙদৌনা করিসু লাও খোঙদে। অদু নঙ কৃষ্ণ শারি নত্রো, লাওগনু তানিংদে।"

হায়সু হায়বনি ৱাতুপ্পবু অসুক ক্না শান্থরগদবু করিগীদি নারোইদবগে। চৈনা খাঙবা ৱারদুনা লাওরি ক্না মরাইবক থীবদো। ইখঙ হেক খঙহৌদনা তৌরক্লিবা থৌদৌ অসি উরগা নিংথৌ কৃষ্ণদেব রায় মৈ হৌখৈ শাউরকই, মহাক্না ঙাকশেনগী অচৌবা মী অমা কৌশিল্লগা হায়, "মসিগী মী অসি ঐখোয়দগী মনা- মথুমগী মনম খরা মরাং কায়না ফংবদগী মহাক য়াম্না হেঞ্জিনলক্লে ঙসিদি মা খরা পীদবা য়াদ্রে। ঙসি মসি শগোল শাজৈ ১২ পীবা তারে।"

ঙাকশেন অচৌবদুনা তেনালীরাম ফারগা চৈরাক চানবা তুং ইল্লকউ হায়রকই।

তেনালীরাম্না হায়রকই, "থানা বাবু অচৌবা ইবুংঙো, ঐ অসি অদোমগী তুং ইঞ্জনবগী থোইদোকপা তঙাইফদবা অদুমক্তি লৈরম্লরোইদ্রা লৌজরে। ইনিংথৌনা ঐঙোন্দা চানবীদুনা পীনবীরিবা মনা অসিদি ঐনা হ্মনা মী খরদা য়েন্থোকচরল্লে।"

"করি? করি লৈপাক অসিদা অদুক য়াম্না অপঙবা মীসু লৈরীব্রা মসিগুম্বা মনা পাম্বা?" ইঙক ঙক্লা নিংথৌনা হংই।

"লৈরী, লৈরীবো, য়াম্না লৈরী ইনিংথৌ, মসিগুম্বা মখলগী মীওই মফম অসিমক্তদা লৈরীজাৎনি ইনিংথৌ, ৱা মখা তারদুনা হায়রকই, "য়াম্না কা লাপ্না লৈবপোৎ নত্তে, ইনিংথৌগী থোঙাকপা অনিনি। মখোয় অনিদা তক্নদুনা য়ানবা অমগী মখাদা ঐ মফম অসি য়ৌনা চংলকপা ঙমজরিবনি। ঙাংনদুনা য়ানরিবা ৱাফম্না, ঐনা করিনো অমা ফংলকপা পোৎশক অদো তঞ্জায় তঞ্জায় মখোয় অনীদা পীবা।"

নিংথৌনা থোঙাকপা অনি কৌহল্লুরে। মখোয় অনিমক্তা ৱাহং- পাউহং তৌবদা তেনালীরাম্না হায়রিবা ৱাফম চুল্লম্বদগী শগোল শাজৈ ১২গী মনা য়েবীরে। নিংথৌনা নোক্লদুনা তেনালীরামদা সনাগী শেনপাক অমা পীরগা হায়রকই "নহাক্কী কুম্মৌনা কুম্মৈ শ্মরিবা কলাকারশিংদগী হ্নো নুংঙাই। মখোয়নদি কৃষ্ণনা মাখন হুরানবগী ৱারীগী কুম্মৈ শ্মবনি, মদু অদুক য়াম্না অঙকপা ৱারী নত্তে, শগোল শাজৈ ১২ গী মনা খুদোল পীবা অসিগুম্না।" ময়াম হৌদুনা নোকই।